# ইন্দিয়াগা ৱারী শান্নবা মতাং মতম চাদে: পাকিস্টান



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সী):

পাকিস্টানগী ফোরেন ওফিস (এফও) না হায়রি, মদুদি লৈবাক অসিগা ইন্দিয়াগগী মরক্তা লৈনরিবা য়েৎনবা লৈবা ৱাফম খুদিংমক লৈখায় তাথোক্লবগীদমক দিপ্লোমেসিগী থোঙ হাংদুনা লৈ।

তৌইগুম্বসুং লৈবাক অনীগী মরক্তা হৌজিক কন্স্ট্রক্টিব দাইলোগ চথনবগী মপুং ফাবা ইনভাইরনমেন্ট লৈতে। ব্রিফিং অমদা ইন্দিয়াগা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা এফওগী স্পোক্স মেন অসিম ইফটিখারনা হায়, দিপ্লোমেসিদদি ঐখোয়না মতম চুপ্পদা থোঙ হাংদুনা লৈবগী চৎনবী অসি ইল্লি।

ইস্যু অসিগী মতাংদা লৈবাক্কী ওইবা য়ান্নবা অমা লৈ অমসুং থংন থংননা লাকখিবা গভর্নমেন্টশিংনা ইন্দিয়াগা লৈনরিবা য়েৎনবা ৱাফম খুদিংমক ইংনা চিক্লা লৈখায় তানবা হোৎনবগী পোলিসি চৎখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অনৌবা গভর্নমেন্টনা হিরম অসিগী মতাংদা থাংলক্লিবা খোঙথাংশিং অমসুং দিল্লিদা ট্রেদ মিনিষ্টর অমা এপোইন্ট তৌবগী মতাংদা পাউমীশিংনা ৱাহং কয়া হংখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফ অমসুং ইন্দিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবা নরেন্দ্র মোদিগী মরক্তা মেসেজশিং থানবা লৈখ্রে। মদু এপ্রিল ১১ দা সারিফপু টোপ কোজ অসিগীদমক খনখিবা মতুংদনি। ৱাহং অমগী পাউখুম পীবদা স্পোক্স মেন অসিনা হায়, পাকিস্টাননা য়েৎনবা ৱাফম খুদিংমক্কী মতাংদা দিপ্লোমেটিক্কী লম্বী শীজিন্নদুনা লৈখায় তানিংবগী অপাম্বা লৈরবসু মহৈ য়ানগদবা মওংদা ৱারী শান্নবগী ইনভাইরনমেন্ট অমা হৌজিক ঐখোয়না উবা ফঙদে।

দোনগী রিপোর্টনা হায়, পাকিস্টানগী ফেদরেল গভর্নমেন্ট হোংলকখিবগা লোয়ননা কর্ম্মস মিনিষ্ট্রিনা মতম শাংনা খুরৌ থাংলক্লবা ইন্দিয়াগা লল্লোন ইতিক্কী থবকশিং মখা চথবগী ৱাফম লৈতে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

সারিফনা লুচিংবা অনৌবা গভর্নমেন্টনা মতম শাংনা য়েংথিনরক্লবা ইন্দিয়াগা লল্লোন ইতিক্কী থবকশিং অমুক হন্না চথনবগী প্রপোজেল অমা খন্নরি হায়বা সোসল মেদিয়াদা পাক শন্না ফোঙনবা ৱাফম অমগী মতাংদা কর্ম্মস মিনিষ্ট্রিনা মসিগী পাউখুম ফোঙদোরকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, ইন্দিয়াগা লল্লোন ইতিক চথবগী মতাংদা লৈরিবা পাকিস্টানগী পোলিসিদা থোইদোকপা অহোংবা লৈতে। প্রাইম মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিএটকী ওফিসিএল ছোর্স অমনা দোন ন্যুজ তা ফোঙদোরকখিবদা ন্যু দিল্লিদা ট্রেদ ওফিসার অমা হাপখিবা অসি মখোয়গী রুটিন পোষ্টিংশিংগী মনুংদা অমনি।

ন্যু দিল্লিদা লৈরিবা পাকিস্টান এম্বেসিদা ট্রেদ ওফিসারগী ফম অদু চহী কয়া হাংদুনা লৈরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা কর্ম্মস এন্দ ট্রেদ গ্রুপকী সেনিয়ার ওফিসার অমা ওইরিবা কমল জামনবু ন্যু দিল্লিদা পোষ্টিং থানবগী অয়াবা পীখি। মহাক তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা পোষ্টিং তৌনবা খনখিবা ওফিসার ১৫ গী মনুংদা অমনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিএটকী ওফিসার অদুনা মখা তানা হায়, ট্রেদ ওফিসারশিং অসিগী এপোইন্টমেন্টগী সেলেক্সন প্রোসেস হান্নগী গভর্নমেন্টনা হৌরম্বনি। মমাঙগী গভর্নমেন্টনা লৌখৎলল্লিবা থবক্তা ঐখোয়না অহোংবা অমত্তা লাকহনবা লৈতে।

সেলেক্সন প্রোসেস অসিদা মেরিটকী মতুং ইন্না পাঙথোকপনি হায়নসু ছোর্স অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সেটলমেন্ট হোম ৪৩২০ শাবগী অয়াবা পীখ্রে

জেরুসালেম, মে ১৩ (এজেন্সী):

ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কদা সেটলমেন্ট হোম ৪৩২০ শানবগী অনৌবা থৌরাংশিং ইজরেল্লি গভর্নমেন্টনা অয়াবা পীখ্রে। ৱেষ্ট বেঙ্কতা পায়খৎপা কন্সট্রক্সনগী থবকশিং এপ্রুভ তৌবগী চার্জ শীন্নবা বোদি হাই প্লানিং সব কন্মিটি ওফ ইজরেল সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসননা হায়, হাউজিং য়ুনিট ২৬৮৪ শাবগী থৌরাংশিং ফাইনেল এপ্রুভেলশিং ফঙলে। য়ুনিট ১৬৩৬ শানবগীসু এনিসিএল এপ্রুভেলশিং ফঙলে।

খোঙথাং অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর আইয়েলেট সাকেটনা ট্যুটরদা হায়, সেটলমেন্টশিংগী ওইনা য়াম্না নুংঙাইবা নুমিৎনি। অদুম ওইনমক টেল অভিবতা বেজ তৌবা এন্টি-সেটলমেন্ট ৱাটচদোক অমা ওইরিবা পিসনাওনা এরেঞ্জমেন্ট অদুবু মায়দা খুৎপাক্লা থাবগী থৌওংনি হায়রদুনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

ৱাটচদোক অসিনা হায়, ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংগী ৱারেপ অদুনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবদা চাওনা অকায়বা পীরকপা য়াবদা নত্তনা মদুনা পেলেষ্টিনিয়নশিংগী তুংগী ইকনোমিক দিভলপমেন্টগী থবক থৌরমশিংদসু অয়েৎ অপন চাওনা পীরক্লগনি। মদু রাইট-ৱিং পার্টিশিং পেলহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি।

# প্যুরটো রিকোগা নক্লনা হি লাকপদা মীওই ১১ শিখ্রে, মীওই ৩১ রেস্ক্যু তৌখ্রে

সেন জোন, মে ১৩ (এজেন্সী):

প্যুরটো রিকোগা নক্লবা মী তাদবা ইথৎ অমগী অৱাংলোমদা হি অমা লাকখিবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিখ্রে অমসুং মীওই ৩১ না রেস্ক্যু তৌখ্রে হায়রি।

শগোলশেল নুমিত্তা রেস্ক্যুগী থবক অদুবু কন্দক্ত তৌখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস কোষ্ট গার্দনা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিং অদু হাইটি নত্রগা দোমিনিকান রিপব্লিক্তগীনি।

কোষ্ট গার্দকী স্পোক্সমেন রিকার্দো কাষ্ট্রোদাট রিকোনা হায়, শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদগী ইরাই নুমিৎ ফাওবদা অচৌবা মী কনবগী থবক অমা চথখি। ঐখোয়গী পান্দমদি মী খ্বাইদগী য়াম্না কন্নবা হোৎনবা অমদি লৈরল্লিবা সর্বাইবরশিংবু ফঙনবা থীবা অদুনি।

হাইটিয়ানশিং অমসুং অতৈ মাইগ্রেন্টশিংনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা ঈশিংগী খোঙচৎতা য়ুএসতা চৎননবা হোৎনবা হেনগৎলক্লিঁঙৈ মরক্তা শাথিরবা থৌদোক অদু থোরকখিবনি।

য়ুএস কষ্টমস এন্দ বোর্দর প্রোটেক্সনগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২১ গী ওক্তোবরদগী কুমজা ২০২২ গী মার্চ ফাওবদা হাইটিয়ান ৫৭১ অমসুং দোমিনিকান রিপব্লিক্কী মীওই ২৫২, প্যুরটো রিকো



অমসুং য়ুএস ব্রিজিং আইলেন্দসকী অকোয়বগী ঈশিংদা দিটেন তৌখি।

এজেন্সি অসিগী মতুং ইন্না শেনবা চহী ২০২১ দা হাইটিয়ান ৩১০ অমসুং দোমিনিকান ৩৫৪ দিটেন তৌখি। শেনবা চহী ২০২০ দনা হাইটিয়ান ২২ অমসুং দোমিনিকান ৩১৩ ফাখিবনি।

য়ুএস কোষ্ট গার্দ অমসুং দোমিনিকান নেভিনা প্যুরটো রিকো অমসুং দোমিনিকান রিপব্লিক্কী মরক্তা লৈরিবা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা মোনা পেসেজতা মাইগ্রেন্ট ৬৮ রেস্ক্যু তৌখিবা মতুং চয়োল অমা কান্নদনা থৌদোক অসি থোরকপনি।

মমাঙগী থৌদোক অদুদা হাইটিদগী ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনবা নুপী অমা শিখি। ওথোরিটিশিংগী মতুংইন্না শগোলশেল নুমিত্তা রেস্ক্যু তৌখিবা নুপী ১১ অমসুং নুপা ২০ প্যুরটো রিকোদা পুখি অমসুং লোকেল হোস্পিটাল অমদা মীওই নিপান লায়কন্নখি। শিরিবা মীওই ১১ অদু খুদক্কী ওইনা মশক খঙবা ঙমখিদে।

হাইটিদগী মীওই কয়া খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ঈশিংগী লম্বী শীজিন্নদুনা য়ুএসতা চৎনবা হোৎনবা হেনগৎলক্লিবা অদু লৈবাক অদুদা গেঙগা মরী লৈনবা ভাইওলেন্স হেনগৎলকপদগীনি।

ভাইওলেন্স অদুদা নুপী অমসুং অঙাং কয়া য়াওনা মীওই কয়া শীখ্রবনি।

# করাচিদা পোকখায়বদা মীওই ১ শিরে, অতৈ কয়া শোক্লে

করাচি, মে ১৩ (এজেন্সী):

করাচিগী সদর এরিয়াদা বোম অমা পোকখায়রকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়ানা অশোক অপন নঙলে হায়না ইরাই নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোরল্লি।

সমা টিভিগী রিপোর্টনা দাউট পোটা রোদতা থোকপা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা গাড়ী তরুক্তগী মাপন ফাওবা অমাঙ অতা থোকখি। পুলিস ওফিসিএলশিংগী মতুং ইন্না এক্সপ্লোজন অদু মফম অদুদা প্লান্ট তৌরম্বা আইইদি অমনা থোকহনখিবা মাল্লি।

ওফিসিএলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বোম অদু পাকিস্টান কোষ্ট গার্দশিংগী গাড়ী অমদা টার্গেট তৌদুনা পোকখায়হনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ। অদুম ওইনমক গাড়ী অদুদা তোংলিবা পার্সনেলশিং অদু অশোক অপন



য়াওখিদে।

থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম অশোক অপন নঙখি হায়না ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর সর্জেলনা কনফার্ম তৌখি। তৌইগুম্বসুং অতৈ রিপোর্টশিংনদি অশোকপশিংগী মশিং ১১ নি হায়না পনখি।

জিনা পোষ্ট গ্রেজুয়েট মেদিকেল সেন্টরগী একজিক্যুটিব দিরেক্তর সহিদ রাসুলনা হায়, ব্লাষ্ট অদুদা মীওই অমা শিখ্রে। মহাক্কী হকচাং অদু থৌদোক থোকফম অদুদগী কিলোমিটর খরা লাপ্পা লৈবা জে পিএমসিদা পুখি। জেপিএমসিগী পুলিস সর্জন্ট সুমায়া টারিক সয়েদনা অশোকপা মাপন জেপিএমসিদা পুরক্লে হায়বসি কনফার্ম তৌখি অমসুং মীওই অনীগী ফিভম লুনা লৈ হায়খি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা ভিক্তিম অদু হোস্পিটাল অদুদা পুরকখিবা মতমদা ডাক্তরশিংনা মহাক শিরে হায়না লাউথোরকখিবনি। মহাক হোস্পিটাল অদুগী এমপ্লোয়রনি হায়নসু সয়েদনা ফোঙদোকখি।

হোস্পিটাল ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না অশোকপশিং অদুগী মশাদা বোল-বিয়ারিং মচেৎশিংনা পানবগী মফমশিং উবা ফঙখি।

পাকিস্টানদা টেরোরিষ্ট বোম্বিংশিংদা অসিগুম্বা অশোকপশিং তোইনা উবা ফঙখি।

পুলিসনা এরিয়া অদু কোর্দন তৌখি অমসুং বোম দিস্পোজল স্কৱাদ কৌখি। অহানবা ব্লাষ্ট অদুগী মতুংদা অতৈ বোমশিংসু পোকখায়রকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী পুলিসনা মীয়ামদা মফম অদুদগী লাপ্পা লৈননবা খঙহনখি।

# চহী অনীগী মনুংদা অহানবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াদা ইন্টরনেসনেল ট্রাবেল্লরশিং থোমজিল্লকপা হৌরে

কানবেরা, মে ১৩ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়াগী বোর্দরশিং নৌনা হাংবা হৌখিবগা লোয়ননা কোভিদ পেন্দেমিক্লা মরম ওইদুনা চহী অনী হেন্না কান্নরবা মতুংদা লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনেল ট্রাবেল্লরশিং মশিং য়াম্না চঙশিল্লকপা হৌরে হায়রি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী পিক টুরিজম বোদি ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন টুরিজম এক্সপোর্ট কাউন্সিল (এপিএসসি) গী মেনেজিং দিরেক্তর পিটর সেলিনা ইরাই নুমিত্তা হায়খি মদুদি, মতম শাংনা করি ফিভম লাক্কদগে হায়বা খঙদনা লৈরকপদু হৌজিক্তি লোইরগনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী এক্সপোর্ট টুরিজম ইন্দষ্ট্রি অসি চহী অনী হেন্না থবক লেপ্তুনা লাকখি। বিজিনেস কয়া




ইনকম লাকখিদবগা লোয়ননা মদুগী ফিভম অদু করম্বা মতমদা লোইগদগে হায়বগী মমি ফাওবা উবা ফঙখিদবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ব্যুরো ওফ ষ্টেটিষ্টিক (এবিএস) না শগোলশেল নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা দেটা মতুং ইন্না ইন্টরনেসনেল ভিজিটরশিংগী মশিং অসি কুমজা ২০২০ গী মার্চতা বোর্দর থিংজিন্দ্রিঁঙৈগী মমাঙদা ইন্টরনেসনেল ট্রাবেল্লর ৬৪৭০০০ লোম লাকখিবা কুমজা ২০২০ গী ফেব্রুৱারীগী মতুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক য়ৌখি। চহী অসিগী এপ্রিলদা ওষ্ট্রেলিয়াদা ভিজিটর ৫৭৫,৫৩০ থুংদুনা মমাঙগী থাদগী ভিজিটর ২০০,০০০ হেনখি।

অসুম্না কোরোনা ভাইরস পেন্দেমিক্লা ওষ্ট্রেলিয়াগী এক্সপোর্ট টুরিজম ইন্দষ্ট্রি অসি দোল্লর বিলিয়ন ৩১ ফাওবা হন্থহনখি। গভর্নমেন্ট অমসুং ইন্দষ্ট্রিনা টুরিজম সেক্তর অসিবু মহৌশাগী ফিভমদা হন্থহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনগদবনি হায়না এটিইসিনা ফোঙদোকখি।

সেলিনা হায়, হৌজিক চহী অনী হেন্না বোর্দর থিংল্লুরবা মতুংদা ইন্টরনেসনেল ট্রাবেল্লরশিং চঙবা য়াহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী টুরিজম ইন্দষ্ট্রি অসি মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকপা হৌরে।

# নাইজেরিয়াগী ষ্টেট ৩০ ঈশিং ঈচাও মায়োক্লরকপা য়াবগী ফিভম লৈরে



লাগোস, মে ১৩ (এজেন্সী):

হৌজিক্কী নোংজু থা মনুংদা নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা নাইজেরিয়াগী য়ামদ্রবদা ষ্টেট ৩২ অমসুং লোকেল গভর্নমেন্ট এরিয়াদা ২৩৩ দা ঈশিং ঈচাও থোরকপা য়াবগী ফিভম লৈ হায়না শগোলশেল নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি ওফ ৱাটর রিছোর্সেসনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর সোলৈমান অদামুনা হায়, এপ্রিল অমসুং নবেম্বরগী মরক্তা লৈবা থাশিংগী মনুংদা ঈচাও থোক্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈরিবা মফমশিং অদুদা থাঙ্গৈশেংনা ঈচাও থোরকপা তারবদি মদুনা মীয়ামদা অমদি লৌউ শিংউগী থবক, অতৈ থবক ইনখাংশিং ফার্মগী শাশিং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ইনভাইরনমেন্টদা চাওনা চৈথেং পীরক্লনি।

অবুজাদা নাইজেরিয়া হাইদ্রো-লোজিকেল সার্ভিসেস এজেন্সি (এনআইঐচএসএ) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা অদামুনা হায়, ঈশিং ঈচাও চাওনা মায়োক্লরকপা য়াবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা ফেদরেল কেপিটেল টেরিটরি অমসুং লৈবাক অসিগী কর্ম্মসিএল হব ওইরিবা লাগোস য়াওরি।

ঈচাও মায়োক্লরকপা য়াই হায়না খন্নবা মফমশিংগী মনুংদা ষ্টেট ৩২ গী লোকেল গভর্নমেন্ট এরিয়া ২৩৩ য়াওরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# 'রসিয়াগী টোপ কম্মান্দর সস্পেন্দ তৌখ্রে, অতৈ জেনরেল কয়া দিসমিস তৌখ্রে'

কিভ, মে ১৩ (এজেন্সী):

রসিয়াগী টোপ কম্মান্দর জেনরেল বলেলি গেরাসিমোভ সস্পেন্দ তৌখ্রে অমসুং অতৈ ওফিসার খরসু দিসমিস তৌখ্রে নত্রগা ফাজিনখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী টোপ এদভাইজর অমনা ক্লেম তৌখ্রে।

য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরি ইন্টেলিজেন্সকী ভেটরান অমা ওইরিবা প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগী ইন্নর সার্কলদা য়াওনা অলেক্সি অরেষ্টোভিসনা ক্লেম তৌখি, মদুদি রসিয়ন আর্মিগী চীফ ওফ ষ্টাফ গেরাসিমোভ সস্পেন্দ তৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ুক্রেনগী লানদা মহাক্লা শোয়খিবা খোঙথাংশিংগী মরাল থংজিন্নবা সেনিয়র কম্মান্দরশিংদা মীৎয়েং থল্লকখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি হায়না দেলি মেলগী রিপোর্টনা হায়রি।

য়ু ট্যুবতা দিসিদেন্ট রসিয়ন লোয়র অমসুং পোলিটিয়ান মার্ক ফ্রিগিনগা ৱারী শান্নবদা অরিষ্টোভিসনা হায়, প্রিলিমিনরি ইনফোর্মেসন মতুং ইন্না




গেরাসিমোভ সস্পেন্দ তৌবগী ফিভমদা লৈহনখ্রে। মখোয়না মঙোন্দা প্রোব্লেমশিং ফিক্স তৌনবা মতম খরা পীননবা ৱারেপ লৌখ্রবরা নত্রগা মতম অমত্তা পীররোইদ্রা হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি।

ৱেষ্টর্ন মিলিটরি দিষ্ট্রিক্টকী ফার্ষ্ট টেঙ্ক আর্মিগী কম্মান্দর লেফটনেন্ট জেনরেল সর্গি কিসেলসু খর্কিপকী মনাক্তা ফার্ষ্ট টেঙ্ক আর্মিনা মায়থীবা নঙখ্রবা মতুংদা ফাখিবগা লোয়ননা থবক্তগী দিসমিস তৌখ্রে।

য়ুক্রেনিয়ন ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা মিলিটরিনা হাংবা টেলেগ্রাম চেনেল অমদা ফোঙলকপা ইনফোর্মেসন মতুং ইন্না আর্মি কম্মান্দর অনীসু লানদা মায়থীবা নঙবগা মরী লৈননা দিসমিস তৌখ্রে।

ব্লেক সি ফ্লিটকী কম্মান্দর মফম লৌথোকপগা লোয়ননা ফাগৎখ্রে অমসুং মহাক্কী ভাইস এদমিরেলগী মথক্তসু ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রে হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ক্লেম তৌখি।

অরিষ্টোভিসনা ইন্টরভিয়ু অদুদা হায়খি, মদুদি মহাক্কী ইনফোর্মেসন অদু প্রিলিমিনরি ওইরি। তৌইগুম্বসুং মদু গেরাসিমোভনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মোস্কোদা পাঙথোকখিবা রসিয়াগী ভিক্তরি পেরেদতা শরুক য়াখিদবা মতুংদা লাকখিবনি।

CSS-SW-205(3)/1/2022-DSW-DSW/2027

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE**

**NOTICE**

**Imphal the 12th May, 2022**

In view of the increasing cases of sexual assault/offences amongst Children (0-18yrs), it is hereby informed to general public that the Government of India has enacted the **Protection of Children from Sexual Offences (POCSO) Act 2012 & The Criminal Law (Amendment) Act, 2018.** The said Act is to protect the children from various offences of Sexual Assault, Sexual Harassment & Pornographies enumerated below;

**A. Protection of Children from Sexual Offences (POCSO) Act 2012:-**

(i) **Penetrative Sexual Assault, Aggravated Sexual assault, Sexual Assault** (*To touch the child or make the child to touch his/her or any other person's private parts.*). **Sexual Harassment**, Use of child for **Pornographic Purposes**, **Instigate or engages** a person to commit sexual assault to a child are punishable for a minimum period of **3 years which may extend to life imprisonment with fine or both.**

(ii) **Non Reporting of Offences**: by Head of an Institution, by personnel of Media, Hotel, Lodge, Hospital, Club Studios or Photographic Facilities, Non-Recording of information reported to Police are punishable with imprisonment for a minimum period of 6 months which may extend to 1 year.

**B. The Criminal Law (Amendment) Act, 2018:-**

(i) **Rape on a Girl under 16 years of age**: **Rigorous imprisonment for term which shall not be less than 20 years** but which may extend to **imprisonment for life** and shall also be liable to fine.

(ii) **Rape on a Girl under 12 years of age** by one or more persons constituting a group or acting in furtherance of a common intention: Each of those persons shall be deemed to have committed the offence of rape and shall be **punished with imprisonment for life and with fine or with death.**

C. **Marriage of a Minor:** Marriage of a Minor is punishable under POCSO, Act 2012.

**Sd/- Ngangom Uttam Singh**
Director (Social Welfare), Manipur

HL-B/7643/14&15

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

**Ref. Mutation Case No. 51/SDC/IW(LC) Date : 19-04-2022**

Chongtham Kumari Devi, D/o (L) Ch. Selungba Singh of Langthabal Kunja Makha Leikai -APP.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Lilong Chajing, the 13th May, 2022

অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নর চোংথাম কুমারি দেবী পতি মৃ: চোংথাম সেলুংবা সিংহ, লৈফম লংথবাল কুঞ্জ মখা লৈকায় পিও কাঞ্চিপুর, পিএস শিংজমৈ হায়রিবা মীওই অসিনা 'Legal Leir Certificate' পীবিয়ু হায়ররে, মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা ওফিস অসিদা লাকপীদুনা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা বাকৎ লৌররোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/2719/14

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER/VII, THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 257 Date 04/05/2022**

1) Ahongshangbam Shyamchandra Singh, S/o (Late) A. Binimohon Singh (Bonidhor) of Pangantabi Awang Leikai
2) A. Dhiren Singh, S/o -do- of -do-
3) A. Shyamo Singh, S/o -do- of -do-
4) A. Somananda Singh, S/o -do- of -do- – Applicant

-Vs-

(Late) Ahongshangbam Bonidhor Singh (Binimohon)
S/o (Late) Gouramani Singh of Khangabok (Pangantabi) O.PP. Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Imphal, 05/05/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং: ৩৩-খাঙবোক তহশিল থৌবালগী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং. ৩৩/১৪১ অরিবা ৩১ অনৌবা দাগ নং. ৪২৭৫/৪৯১০ এরিয়া হেক্তর ০.১২৫০ চাওবা ইখ্যোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা পট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মচাশিংনা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নত্রবদি কোর্টকী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/-M. Ningthembi Singh**
**Assistant Survey & Settlement Officer/VII Thoubal, Govt. of Manipur**

HL-P/2709/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref. Mutation Case No. 185/SDC/M dt. 13/5/2022**

R.K. Ibemnungshi Devi, W/o (L) R.K. Lokendro Singh of Uripok Khwai Brahmapur

-Vs-

Late Rajkumar Lokendro Singh, S/o Basudev Singh of Khwai Brahmapur Imphal

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Moirang, the 13th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ১৭০০ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৭০৪৬ এরিয়া ১.৮৮ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ:পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি ইমুং মনুং লোইনবীনা নামা মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুং ইন্না মখা কেস চথগনি।

**Sd/- B.C. to Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/2717/14

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK**

**Ref. Mutation case no. 176/SDC/YPK/22**

Parties:- Soibam Rojer Singh, S/o Rajen Singh of Shikhong Makha Leikai -Petitioner

-Vrs-

(Late) Hidam (N) Ranjana Devi, D/o Ibopishak Singh of Shikhong Bazar -OPP

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Yairipok, the 13/05/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১১৭-শিখোং পাট্টা নং ৫৯৩ অনৌবা দাগ নং ২৮৩, ২৮৫ এরিয়া .০৫৫০ অমসুং .০৬৫০ হেক্টর ইখ্যোল অসিগী পাট্টাদার হিদাম নিংঙোল রানজানা দেবী পীং ইবোপীশক সিংহ সাং শিখোং বজার অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নর ওইরিবা মহাক্কী (মৃ:পাট্টাদার) মচা নুপা অসিদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা ইখ্যোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা মমিং পানখিবদা য়েংপীনিংবা য়াওরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই। হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Yairipok, Manipur

HL-P/2714/14